# মালেসিয়া মাষ্টর্স গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা লৌখ্রে, নুপাগীনা হোং কোংগী ঙা কা লোংনা লৌখ্রে


মালেসিয়া মাষ্টর্স গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল

*সারাৱাক, জনুৱারী ২২ ঃ*

মালেসিয়াদা চথরিবা য়ুএস দোলর ১,২০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া মাষ্টর্স গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা লৌখ্রে। অদুগা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদুনা হোং কোংগী ঙা কা লোংনা লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং থাইলেন্দগী পোর্নপাৱি চোচুৱোংনা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনখিবনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা হোং কোংগী শান্নরোই য়িপ পুই য়িনগা লম্বা তৌনখিবদা সাইনানা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৩, ২১–১০ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। অমরোমদা মহাক্কা লম্বা তৌনগদৌরিবা থাইলেন্দগী পোর্নপাৱি চোচুৱোংনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা হোং কোংগী চিয়ুং ঙান য়িগা লম্বা তৌনখিবদা পোর্নপাৱি চোচুৱোংনা ২১–১৯, ২০–২২, ২১–১৮ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

নুপীগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু শান্নরোই অনীমক্কা অকনবা লম্বা তৌনদুনা টাইটল লৌননবগীদমক হোৎনরকখিবনা পোইন্ট মান্নন–মান্ননা লাকখিবনা মরম ওইরগা পোইন্ট ২০–২০ দা লৈনখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌখিবদগী অহানবা গেম অদু ২২–২০ দা মায় পাক্তুনা গেম অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা অনীশুবা গেম অদুদা খুদুম চন্দুনা শান্নরক্কনি হায়না য়েংলিবা ভাবকশিংনা থাজখিবনি। অদুবু অনীশুবা গেম অদুদসু অহানবা গেমদা লম্বা তৌনখিবা অদুগুম্না থাইলেন্দগী পোর্নপাৱি চোচুৱোংনা শান্নরত্তুনা পোইন্ট ২০–২০ ফাওবা লৈনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা অনীশুবা গেম অদুদসু থংনবা পোইন্ট অনী থাইলেন্দগী শান্নরোই পোর্নপাৱি চোচুৱোংদগী মুন্দুনা ২২–২০ দা থোইখিবদগী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা হোং কোংগী ঙা কা লোংনা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিদা ৫ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা লি হ্যুন ইলগা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াই হোং কোংগী টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ঙা কা লোংনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংগা লম্বা তৌনখিবদা লোংনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৮, ২১–১৫ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিদা ৫ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা সাউথ কোরিয়াগী লি হ্যুন ইলনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়াটোবু ২১–১৭, ২১–১৬ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অদুনা হোং কোংগী শান্নরোই অদুবু ইৱা ৱাদনা ২১–১৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গেম অমা শোৎখরবা হোং কোংগী ঙা কা লোংগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎলত্তুনা শান্নরকপদগী অনীশুবা গেম অদুদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অদুবু ২১–১৫ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরক্লবা মতুং হোং কোংগী শান্নরোই ঙা কা লোংনা সাউথ কোরিয়াগী লি হ্যুন ইলদগী পোইন্ট অমা হেল্লগা ১০–৯ দা লৈরিঙৈদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই লি হ্যুন শোকপনা মরম ওইরগা মেটচ মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু হোং কোংগী শান্নরোই ঙা কা লোংনা মায় পাকখিবদগী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

# নুপীগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর য়ুএসএগী ভান্দিৱেগিগী মখুত্তা মায়থিখ্রে, নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেসু লৈহৌরে


ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জর্মনিগী কর্বরবু মায়থিবা পীরবা মতুংদা হরাওবা ফোঙদোকখিবা য়ুএসকী ভান্দিৱেগি

*মেলবোর্ন, জনুৱারী ২২ ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্ন সহরদা চৎখরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিগী মখুত্তা মায়থিহৌরে। অমরোমদা নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেসু জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেবগী মখুত্তা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিনা লম্বা তৌনখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিনা টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা য়াম্না কোম্না ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেট অমা শোৎখরবা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদসু ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিদবদগী য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিনা অমুক্কা হন্না মহাক্কী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইখিবদগী কর্বর ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা রোমানিয়াগী সোরানা কির্ষ্টিয়াবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না কোম্না থোইরম্বা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেবু টুর্নামেন্ট অসিদা সিদেদ ফংদনা শান্নরকখিবা জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেবনা সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীনা অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেবনা ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা সেট অদুদদি এন্দি মুরেগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নরত্তুনা ৭–৫ সা জ্বেরেবপু থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

সেট অমমম মান্নরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুদা জর্মনিগী জ্বেরেবনা ফজবা হেনখিদুনা এন্দি মুরেগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা য়াম্না কোম্না থোইদুনা সেট অমা হেন্দুনা চৎখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা জর্মনিগী জ্বেরেবনা মরিশুবা সেট অদুদসু য়াম্না ফজবা মশান্না পীরত্তুনা শান্নরকপদগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱানসু ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবদগী মুরে টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি।

জর্মনিগী জ্বেরেবনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬–৭(৪–৭), ৬–৪, ৬–১, ৪–৬, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসনা জর্মনিগী মোনা মার্থেলবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ভেনসনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা রুশিয়াগী শান্নরোই অনী অনাষ্টেসিয়া পাৱ্লিয়ুচেনকোভা অমসুং স্বেটলানা কুজনেটসোভানা লম্বা তৌনখিবদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৩ দা মায় পাকখিবা অনাষ্টেসিয়া পাৱ্লিয়ুচেনকোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী অতোপ্পা ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাগা ইটালিগী এন্দ্রিয়াস সেপ্পিগা লম্বা তৌনখিবনা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং স্বিরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা সেট ৩–০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ষ্টান ৱিরিনকানা টাই ব্রেক্তা ৭–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা হৌখি। অনীশুবা সেট অদুদসু টাই ব্রেক্তা ষ্টান ৱারিনকানা ৭–৪ দা থোইদুনা সেট অনী মাঙজিল থাখি।

স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা অমসুং ইটালিগী এন্দিয়া সেপ্পিনা লম্বা তৌনখিবা মরিশুবা রাউন্দগী অহুমশুবা সেট অদুদসু ষ্টান ৱারিনকানা টাই ব্রেক্তা ৭–৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদুদি গ্রেট বৃটেনগী দি ইভান্সপু সেট মরি চঙনা লম্বা তৌনরবা মতুং ৭–৬(৭–৪), ৬–২, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বা ফ্রান্সগী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানি।


মরিশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌরবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান বৃটেনগী এন্দি মুরে

# ইংলেন্দনা অহুমশুবা ৱান দে মেটচ ইন্দিয়াবু রন ৫ দা থোইখ্রে, মেটচ অহুমগী সেরিজদি ইন্দিয়ানা ২–১ দা লৌখ্রে


ইংলেন্দগী মায়োক্তা রন ৫৬ লৌখিবা হার্দিক পান্দিয়াবু ইংলেন্দগী বোল্লর বেন ষ্টোক্সনা আওট তাহনখিবা মতাং

*কোলকতা, জনুৱারী ২২ ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা চৎখরকপা মেটচ ৩ গী ৱান দে সেরিজগী ঙসি কোলকতাদা লৈবা ইদেন গার্দেন্স ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা ৱান দে মেটচ অদু ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু রন ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে। অদুবু সেরিজ অদুদি ইন্দিয়ানা মমাঙদা থোইখিবা মেটচ অনী অদুনা মরম ওইরগা ২–১ দা ইংলেন্দবু থোইখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৮ তুরগা ওভর ৫০ দা রন ৩২১ লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফজখি। ওপনর জেসন রোয় অমসুং সাম বিল্লিংসনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৯৮ হাপচিনবা ঙমখি। ১৮ শুবা ওভরদা সাম বিল্লিংস বোল ৫৮ দা রন ৩৫ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

থংনবা ওভরদা ওপনর জেসন রোয় ইন্দিয়াগী বোল্লর রবিন্দ্র জাদেজানা বিল্লিংস আওট তাহনখ্রবা মতুং রন ৬৫ দা রোয়বুসু আওট তাহনখি। রোয়না বোল ৫৬ সিক্স ১ গা ফোর ১০ য়ৈরমখি। মতম অদুদা ইংলেন্দগী স্কোর ১১০ লৈখি।

টিম অদুনা মখা তানা ইন্নিংস চৎখরকপদা জোনি বাষ্টো অমসুং কেপ্টেন ইয়োন মোর্গাননা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ৮৪ হাপচিন্দুনা টিম অদুগী স্কোর ২০০ নকশিনহনখি। ৩৪ শুবা ওভরদা কেপ্টেন মোর্গান বোল ৪৪ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ২ য়াওরগা পুন্না রন ৪৩ দা ইন্দিয়াগী বোল্লর হার্দিক পান্দিয়ানা আওট তাহখি।

জোস বট্টলর নৌনা চঙলকখি। অদুবু মহাক রন ১১ দা পান্দিয়ানা আওট তাহন্দুনা ৩৮ শুবা ওভর লোইশিল্লকপদা রন ২১২ লৈখি। বেন ষ্টোক্সনা য়াম্না থুবা মওংদা আওট ওইদনা বোল ৩৯ দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়াওরগা রন ৫৭ লৌরম্বা অদুনা য়াম্না ফজবা স্কোর ওইখি। বাষ্টৌসু রন ৫৬ লৌরমখি।

ইংলেন্দনা লৌরম্বা রন ৩২১ অদুগী পাউখুমদা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ওপনর অনী রন ৩৭ তা আওট ওইখি।

ভিরাট কোলি অমসুং য়ুবরাজ সিংহনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদুবু ১০০ লাম্থোকহনখি। ভিরাট কোলি বোল ৬৩ দা রন ৫৫ লৌরল্লগা আওট ওইখি। মহাক্কী জুরা ওইমিন্নখিবা য়ুবরাজ সিংহসু বোল ৫৭ তা রন ৪৫ লৌরল্লগা আওট তাখিদুনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৪ রন ১৩৩ দা তুখি।

ধোনি অমসুং কেদর যাদবনা ইন্নিংস নৌনা শেমগৎলকখি। রন ১৭৩ শুরবা ফাওবা মখোয় অনী শান্নমিন্নখি। ধোনি রন ২৫ দা আওট ওইখি।

৭ শুবা বেটসমেন হার্দিক পান্দিয়া শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা কেদর যাদবকনা ওভর ১৩ গী পার্টনর্সিপ্তা রন ১০৩ হাপচিনখি। পান্দিয়া রন ৫৬ তা আওট ওইখি। মখা তাবা বেটসমেন অনীসু থুনা আওট ওইখিবা মরম্না কেদর যাদবনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা ইন্নিংসকী অরোইবা ওভরগী ৫ শুবা বোলদা বাউন্দরি তম্না য়ৈখিবা সোট অমা মায় পাকখিদবদগী রন ৯০ দা আওট ওইদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু রন ৩১৬ তা লোইশিন্দুনা মেটচ অদু রন ৫ দা মায়থিখি।

থা অসিগী ২৬ তা লৈবাক অনীনা টি–২০ মেটচ ৩ গী অহানবা মেটচ অদু কানপুরদা শান্নরগনি।

# আর্সনেলনা বুর্নলে মায়থিবা পীদুনা লীগ টেবলদা অনীশুবদা লৈখ্রে, সেরি এ দা জুবেন্টসনা লাজিও থোইখ্রে

*লন্দন, জনুৱারী ২২ ঃ*

ঙসি ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী লন্দনদা লৈবা ইমিরেটস ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু ওইখিবা আর্সনেলনা বুর্নলেবু ২২ শুবা লীগ মেটচ অমদা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। ইটালিগী সেরি এ দনা মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা জুবেন্টসনা লাজিওবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা লীগ অদুগী পোইন্ট টেবলদা অদুমক মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

আর্সনেল অমসুং বুর্নলেগী মেটচ অদু অহানবা হাল্ফতা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জলঅমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মিনিট ১৪ চঙশিল্লকপদা আর্সনেলগী মায়কৈদগী স্কোদ্রান মুস্তাফিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

বুর্নলেগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৯০ শুবা মিনিটতা পেনাল্টি অমা ফংদুনা এন্দ্রি গ্রেনা ইক্বেলাইজর অদু ওইহনখি। অদুবু এক্সত্রা টাইমগী অরোইবা মীৎকুপ্তা আর্সনেলগী এলেক্সিস সঞ্চেজনা পেনাল্টি অমগী মতেংদা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু ওইদুনা পোইন্ট ৩ ফংখিবদগী আর্সনেল মেটচ ২২ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৪৭ ফংলগা চেলসিগী পোইন্ট ৫৫ গী মথংদা অনীশুবদা লৈরি।

ঙসি প্রেমিয়র লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন লৈকেষ্টর সিটিবু সাউথমতননা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা সাউথমতন লীগ অসিগী ১১ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎলকপা ঙম্লি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা সাউথমতনগী জেমস ৱার্দ প্রাউজে অমসুং জে রোদ্রিগেজনা মথংশিংনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনিট অমসুং ৩৯ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল চন্নরদবদগী ৮৬ শুবা মিনিটতা সাউথমতননা ফংখিবা পেনাল্টি অমা দুসান তাদিকনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা লৈকেষ্টর সিটিবু সাউথমতননা থোইখি।

ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল লীগতা ঙসি অঙনবদা মাঙজিল থারিবা টিম জুবেন্টসনা লাজিওবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়খিবা পীদুনা জুবেন্টস মেটচ ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা পুন্না পোইন্ট ৪৮ ফংলগা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা এসএসসি নাপোল্লিদগী পোইন্ট ৪ হেন্দুনা চৎলি।

# কালিঙ্গ লেন্সর্সনা দেল্লি ৱেবরাইদর্স থোইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২০ ঃ*

হোক্কি ইন্দিয়ান লীগকী ঙসি ন্যু দিল্লিদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা কালিঙ্গা লেন্সর্সনা দেল্লি ৱেবরাইদর্সপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু কালিঙ্গা লেন্সর্সকী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা গুরজিন্দর সিংহনা চনখিবনি।

পনবা য়াবদি ঙরাং শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা দবং মুম্বাই অমসুং রাঞ্চি রেজগী টিম পাঞ্জল ৩–৩ চন্নরগা দ্রো চৎখি। দবংগী মায়কৈদগী নিকিন থিমায়ানা অরোইবা মীৎকুপ্তা ইক্বেলাইজর অদু চনখিবনি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*